# শিশু নিস্থা নিকেটনগী মথক্তা থম্লম্বা অথিংবা কোমথোক্লে ঃ মাওইষ্ট

*এস এন এস*

*ইম্ফাল, এপ্রিল ৭ ঃ* শিশু নিস্থা নিকেটন ক্বাকৈথেলগী মথক্তা থম্লম্বা অথিংবা অদু কোমথোক্লে হায়না লুপ অসিগী সেক্রেটরি পব্লিসিটি এন্দ প্রোপেগন্দা কমরেদ নোংলেন মৈতৈনা থাদোরকপা চেরোল অমনা ফোংদোরক্লি।

চেরোল অসিনা মখা তানা হায়, ক্বাকৈথেলদা লৈবা শিশু নিস্থা নিকেটনগী পেরেন্টশিংগী মায়কৈদগী মাওইষ্ট কম্যুনিষ্ট পার্টি মণিপুরনা চংশিল্লক্লিবা খোঙথাং অসিদা মপুং ফানা শৌগৎকনি হায়বগী থাজবাপীরক্লে। মরম অদুনা লুপ অসিনা স্কুল অসিগী মতাংদা লৌখিবা ৱারেপ অদু কোমথোক্লে হায়রি। হৌজিক মখা তানা সিবিএসই গী স্কুল কয়াদা থিজিনবা মতমদা নমথাক কয়াগী মায়খুম হাংদোকপা ঙল্লে। স্কুল শুংলৈ লৈতনা অঙাংশিং খোল্লগা পরিক্ষা পাস তৌহনগনি হায়দুনা শেনয়াম খোমজিল্লম্বা মীওই খরসু মশক মমিং খঙবা ঙল্লে। মখোয়শিং অসি অথুবা মতমদা মীয়াম খঙনা ৱায়েল্লগনি। নাকল অমরোমদা অসিগুম্বা মীওইশিং অসিবু কনখৎপা কাংবু খরনা মরাল লৈবশিং লোৎশিন্নবা কন্না হোৎনরি। মখোয়শিং অসিসু লুপ অসিনা অথুবা মতমদা মীয়ামদা ফোংদোক্লবা শেম শারে হায়রি।

# মিসন ইন্দ্র ধনুস হৌদোকখ্রে হকশেলগী ফিভম ফগৎহন্নবা হোৎনরি ঃ ফুংজাথাং তোনসিং

*এস এন এস*

*ইম্ফাল, এপ্রিল ৭ ঃ* চহি অনিগী মখাদা লৈবা অঙাংশিং অমদি মীরোনবীশিংদা লায়না কয়া নারক্কদবদগী ঙাকথোক্লবা তিকা থাহৌদ্রবশিংবু হিদাক কাপ্পগী অখন্নবা থৌরম 'মিসন ইন্দ্রধনুস' ষ্টেটসিগী ওইনা চুরাচান্দপুরদা হেল্থ মিনিষ্টর ফুংজাথাং তোনসিংনা ঙসি হৌদোকখ্রে। থৌরম অদুদা মিনিষ্টরনা হকশেলগা মরী লৈনবশিংগী ফিভম ফগৎহন্নবা হোৎনরিসু ফোংদোখ্রে।

মিনিষ্ট্রি ওফ হেল্থ এন্দ ফেমিলি ৱেলফিয়ারনা ওল ইন্দিয়াগী ওইনদি দিসেম্বরদগী হৌদোকখ্রবা থৌরম অসি ষ্টেটসিগী ওইনদি ঙসি চুরাচান্দপুর দিষ্ট্রিক্ট হেদ ক্বাটরদা লৈবা য়ং পাইটে এসোসিয়েসন জেনরেল হেদ ক্বার্টর হোল (ৱাই পি এ জি ঐচ ক্যু)দা পাংথোকখি।

থৌরমদুগী অথোইবা মীথুং ওইখিবা মিনিষ্টর ফুংজথাং তোনসিংনা হায়, মিসন ইন্দ্র ধনুস হায়না খঙনদুনা পাংথোক্কদৌরিবা থৌরম অসি অপীকপা অঙাংশিংদা য়াম্না নাগনবা লায়না মখল ৭তগী ঙাকথোক্লবা চহি ২গী মখাদা লৈবা অঙাংশিং অমদি মীরোনবীশিংদা হিদাক কাপকদবনি। সরকারনা পায়খৎলক্লিবা থৌরমসিদা মীয়াম্না মপুং ফানবা পাংবা য়াবা মতেং পাংবীয়ু। হকশেলগী ওইবা থৌরম অসিদা মীয়াম থোরক্তুনা শরুক য়াবসিনা পাংথোক্কদৌরিবা মিসন অসি শোয়দনা মায় পাক্কনি হায়বগী থাজবা লৈ।

চুরাচান্দপুর দিষ্ট্রিক্ট হোস্পিটাল অসি য়াম্না মরু ওইবা অনা-লায়েংশঙনি। হোস্পিটাল অসি ফমুং ২০০গী ওইবা মতিক চাবা হোস্পিটাল অমা ওইহন্নবা হোৎনরি। মসিগী মথক্তা ইন্টেন্সিফ কেয়ার য়ুনিট (আই সি য়ু)গী মপুং ফাবা খুদোংচাবা লৈহন্নবসু কন্না হোৎনরি।

অমরোমদা খুগা দামগী ঈশিং অসি থক্লা-চানবা য়াবা অফবা ঈশিং ওইবতা নত্তনা অরেম্বদা মাংহন্দনবসু অখঙ-অহৈশিংগা তান্নদুনা হিরম অসিদা কুপ্না য়েংশিল্লি। নোর্থ ইষ্ট কাউন্সিলগী (এন ই সি)গী সেন্থং অমদি ষ্টেট গভর্নমেন্টতগীসু অহেনবা শেনফম ফংননবা হোৎনরি। মহাক্না মখা তানা হায়বদা হকশেল ফনা থম্নবা অখঙ-অহৈশিংনা হায়বদা করিগুম্বা পোৎলম অমা চারমদাইদা খুৎ-শা শেংনা হামদোক্কদবনি, অফবা ঈশিং শিজিন্নগদবনি, মনা-মশিং উহৈ ৱাহৈ চাগদবনি অমসুং চক্খাও মতম শাংদা হাংহন্দনা থমগদবনি হায়রি। মরম অদুনা হকশেল ফনা লৈবা অসিদা লু-নানবা হায়বসি য়াম্না মরু ওই হায়খি।

থৌরমদুদা শরুক য়াখিবা হেল্থ সার্ভিসেসকী ডাইরেক্টর অমদি নেসনেল হেল্থ মিসনগী মিসন ডাইরেক্টরসু ওইরিবা ও ইবোমচা সিংহনা হায়, মিসন ইন্দ্রধনুসকী মখাদা পাংথোক্কদৌরিবা ইম্যুনাইজেসনগী থবক অসি মপুং ফানবা হোৎনবা য়াবা হোৎনরি। দিপার্টমেন্টকী লৈরিবা ষ্টাফশিংগী মথক্তা এ এন এম ৫১ হাপ্পুনা থবক অসি পাংথোক্কদৌরিবনি।

চুরাচান্দপুরগী ইম্যুনাইজেসনগী চাং অসি ইন্দিয়া গভর্নমেন্টদা দিপার্টমেন্টনা পীখৎখিবা রিপোর্ট অদুগা খরা খেন্নবা লৈ। হেল্থ ইনফোর্মেসন মেনেজমেন্ট সিষ্টেম (ঐচ আই এম এস)কী রিপোর্ট থাখিবদদি চাদ ৯০ য়ৌনা তৌখি হায়বগী রিপোর্ট লৈ। অদুবু অতোপ্পা রিপোর্ট অমগী মতুং ইন্না দিষ্টিক্ট অসিদা শুপ্নগী চাদ ১৮.৮ ওইখি হায়বসিদা কুপ্না য়েংশিল্লি। খেন্নবা থোরক্লিবা অসিগী ওইবা মরম অমদি রেন্দম সেম্পল ওইনা লৌবদগী ইম্যুনাইজেসনগী চাং অসি য়ামদনা থোকপা ওইরম্বসু য়াই হায়না মত পীখি। পুম্নমক অসি ওইদুনসু পাংথোক্কদৌরিবা মিসন অসি মপুং ফানা পাংথোক্লবা য়ুমথোম খুদিং চংদুনা হিদাক কাপ্পগী থবক্লচিংবসু তৌগনি হায়খি।

ঙসিগী থৌরম অদুদা ফেমিলি ৱেলফিয়ারগী ডাইরেক্টর এ রাজো সিংহ, আয়ুসকী ডাইরেক্টর কে লোকেন্দ্রো সিংহ, চুরাচান্দপুর দিষ্ট্রিক্টকী দিপ্যুটি কম্মিস্নার, অশা ৱার্করশিং অমদি এন জি ও কয়াগী মীহুৎশিংনা শরুক য়াখি।

# থৌবাল কৈথেলগী ইরাং য়ানবা পুরকখ্রে

*থৌবাল, এপ্রিল ৭ ঃ* থৌবাল কৈথেল মনুং লু নান্না থম্নবগী মীৎয়েংদা কৈথেল অসিদা ঙা য়োল্লিবা ইমা ইবেলশিংবু কৈথেল অসিমক্কী বি ব্লোকতা হোংদোকহনবদা য়ানিংদবা ফোংদোক্তুনা চথরকখিবা খোঙজং ঙসি থৌবাল ম্যুনিসিপাল কাউন্সিলগা য়ানবা অমা পুরকপদগী হন্দোকখ্রে।

ঙসি নুংথিল থৌবাল ম্যুনিসিপাল কাউন্সিলগী হোলদা ঙা অতেকপা য়োনবী ইমাশিংগী মীহুৎশিং য়াওনা কাউন্সিলগী মীওইশিংগা পোৎফম হোংদোক হোংজিনগী মতাংদা খন্নরবা মতুংদা য়ানচে অমা সহি তৌনখ্রে। য়ানচে অদুদা ঙায়োনবী ইমাশিংগী মায়কৈদগী ওক্রম খোমৈ দেবী, টি ইনাকখুনবী দেবী অমসুং এস সনাথোই দেবীনা সহি তৌখি অদুগা কাউন্সিলগী মায়কৈদগীনা এসিষ্টেন্ট ইগজিক্যুটিভ ওফিসার এন রাজেন সিংহনা সহি তৌখি।

য়ানচে অদুদা কাউন্সিলর অহুম হিজম জমুনা দেবী, এন মণিতোম্বী দেবী অমসুং অশেম বসন্তনা কাউন্সিলগী মায়কৈদগী শাখি ওইনা সহি তৌখি। য়ানখিবশিং অদুদি অহানবদা পোৎ চৈ থম্নবা ফম্ফমগী মখাদা উপু হাপ্পা, ফম্ফমগী পাক চাউবা ফুট ৪x৪ দগী তাহন্দবা, য়ানখিবা ৱাফমশিং থা অমগী মনুংদা থবক্তা ওন্থোকপা অমসুং ঙা অশেম্বা য়োনবীশিং পুন্না মচিনথংবা শরুক্তা থম্বা নত্রগা তোঙানবা মফম চাবা অমদা মখোয়গী মফম পীবা অসিনি।

য়ানচে অদু সহি তৌনরবা মতুংদা ঙায়োনবীশিংনা হয়েংদগী কাউন্সিলনা পীবা মফমদা মখোয়গী চপ চাবা মফম অদু শাবা লোইদ্রিবা ফাওবা পোৎফম ফম্বা হৌনবা এসিষ্টেন্ট ইগজিক্যুটিভ ওফিসারনা অপিল তৌখি। ফমগদবা মফমশিং অদুসু পুন্না চত্তুনা য়েংশিনমিন্নখি।

# ঈরাক্লদুনা শিরে

*ইম্ফাল, এপ্রিল ৭ ঃ* ঙসি অয়ুক পুং ১০.৩০ রোম তাবদা ইম্ফাল ৱেষ্ট দিষ্ট্রিক্টকী ময়াং ইম্ফাল পুলিসকী মনুং চন্না লৈবা লফুপাৎ তেরা পার্ট টু দা লৈবা অহল অমা ইম্ফাল তুরেলদা ঈরাক্লদুনা শিরে হায়রি। থৌদোক অদুদা লৈখিদ্রবা অহল অদুগী মমিং সলাম বাবুয়াইমা (৬৬) অপোকপা লৈখিদ্রবা মোদোন কৌই হায়রি। থৌদোক অসিগী মতাংদা প্রেসনা ফংবা পাউদা লৈখিদ্রবা বাবুয়াইমনা মহাক্কী ময়ুম মপাগী ইম্ফাল তুরেলদা কুল্লগা তুরেল মপান্দ ঈশিংদা কুল্লগা ৱানা শাবা থোঙ্গ্রা শেম্বদা নাম্থুখিবদগী ইরাক্লদুনা লৈখিদবনি। মহাক্কী অশিবা হকচাং অদু মনাওনুপাগী নুপীনা তুরেলদা কুম্লকপদা ঈশিংদা তাওরগা লৈরম্বদগী থেংনরকপনি হায়রি।

লমাই ১গী মখা

## পুলিস ইন্সপেক্টর ৫৩গী ...

হৈঙাংগী ও সি কে ঐচ রাইকুমারনা ভিজিলেন্স ইন্সপেক্টর, ইন্সপেক্টর সি আই দি (এস বি) ই রোসন সিংহনা শগোলমাং পি এসকী ও সি, শগোলমাংগী ও সি কে সন্তোসনা ইন্সপেক্টর সি আই দি (সেক্যুরিটি), লোতাক লেক প্রোটেক্সনগী ইন্সপেক্টর এম দি অবদুল গাফরনা খোঙজোমগী ও সি ওইনা, খোঙজোমগী ও সি এস বিদ্যানিধি শর্ম্মনা ইন্সপেক্টর ভিজিলেন্স, সি আই দি এল ভৈগ্যনা মোইরাং ও সি, মোইরাং ও সি এস সুরবোরোনা ভিজিলেন্স ইন্সপেক্টর, উখ্রুলগী ও সি এস তিমোথিনা সি আই দি ইন্সপেক্টর, সি আই দি ইন্সপেক্টর পরমৈঙম লোংপিনাওনা উখ্রুলগী ও সি, পোরোম্পাৎ ওসি এস ঐচ চন্দ্রকুমারনা এম পি টি সিগী ইন্সপেক্টর, এম পি টি সিগী ইন্সপেক্টর দি ঐচ দিনেসনা পোরোম্পাৎকী ও সি, ইন্সপেক্টর ভিজিলেন্স এম ইলাবন্তনা চান্দেল ও সি, ইন্সপেক্টর সি আই দি জি কদুঙাই কবুইনা শংসককী ও সি, ইন্সপেক্টর ভিজিলেন্স টি বঙ্কবিহারি সিংহনা ইন্সপেক্টর সি আই দি (এস বি), ভিজিলেন্স ইন্সপেক্টর এম রাজেনসু সি আই দি (এস বি)গী ইন্সপেক্টর, ইন্সপেক্টর সি আই দি (এস বি) রোবিন্সন শিমরেনা সোমদালগী ও সি, নাবকী ও সি আর কে বিক্রমজিৎনা ভিজিলেন্স ইন্সপেক্টর, কার (ইম্ফাল ৱেষ্ট)কী ইন্সপেক্টর এন কেশোনা নাবকী ও সি, ভিজিলেন্স ইন্সপেক্টর ঐচ নবাকুমারনা তমেংলোং ও সি, এম পি টি সিগী ইন্সপেক্টর জি জোয় রোংমৈনা তৌশেমগী ও সি, এম পি টি সিগী ইন্সপেক্টর বি কে ছেত্রিনা ভিজিলেন্স ইন্সপেক্টর, ভিজিলেন্স ইন্সপেক্টর থাংথাং মানলুনা সি আই দি (এস বি)গী ইন্সপেক্টর, ভিজিলেন্স ইন্সপেক্ট পি মাওৱিয়া ৱাইফৈনা সি আই দি (এস বি)গী ইন্সপেক্টর অমসুং ইন্সপেক্টর সি আই দি (এস বি) টি বিমোলচন্দ্র সিংহনা কশোম খুল্লেন পি এসকী ও সি ওইরগনি হায়না দি জি পিগী চেরোল অদুনা ফোংদোরক্লি।

## ওল্ড এজ পেন্সন লাক্লিবা ...

আইদি কার্দ নত্রগা অধার কার্দ ফোটোষ্টেট কোপি অমমম য়াওরগা লাকপীনবসু খঙহল্লদুনা কার্দ মাংখিবা য়াওরবসু মাংখ্রে হায়বগী দরখাষ্ট চে অমগা ভোটর আইদি কার্দ নত্রগা অধার কার্দকী কোপি অমগা লোইননা মরী লৈনবা দিষ্ট্রিক্ট সোসিয়েল ৱেলফিয়ার ওফিসারদা পীশিনবা য়াগনি। অদুগা স্পোট ইনক্বারী তৌরগা চুম্মী হায়বা খঙলবা মতুংদা পেন্সনগী শেনফম পীগনি। অনা অয়েক য়াওদুনা নত্রগা শোনবদগী মশা লাকপা ঙমদবশিংসু চে অমা ইরক্লগা মরী লৈনবা চে চাংগা লোইননা দিপার্টমেন্টতা থাজিনবীয়ু। মদু ইনক্বারী তৌরবা মতুংদা দিপার্টমেন্টকী ষ্টাফশিংনা য়ুম য়ুমদা চত্তুনা থিনগনি হায়নসু মহাক্না মখা তানা ফোংদোকখি। মিনিষ্টরনা মখা তানা হায়, পৈশা লৌবা লাকপদা হান্নগী কার্দশিং অদু লৌহৌগনি। মসি অনৌবা কার্দ অমা শেম্নবগীদমক্লি। দিষ্ট্রিক্ট দিষ্ট্রিক্টকী ওইনা লাক্লিবা ইরাই নুমিত্তগী য়েনবা হৌগদৌরিবা অসিদা ইম্ফাল ইষ্ট অমসুং ৱেষ্ট দিষ্ট্রিক্টকী ওইনদি ফার্ষ্ট এমআরগী গ্রাউন্দদা অয়ুক পুং ৯ দগী হৌগনি। অতৈ দিষ্ট্রিক্টশিংগীনা দিষ্ট্রিক্ট হেদ ক্বার্টর অমদি মনাক নকপা পুলিস ষ্টেসনশিংদা য়েনগনি। নেসনেল ওল্ড এজ পেন্সন স্কিমগী মখাদা লৈবা পেন্সনরশিংদসু মখোয়গী ফংফম থোকপা পৈশা ফংহন্নবা থবক পায়খৎলগনি হায়নসু মিনিষ্টরনা ফোংদোক্লদুনা মতম কুইনা পেন্সন ফংদনা লৈরকখিবা অদু দিপার্টমেন্টকী অশোয়বা নত্তে। দাইরেক্ট ত্রান্সফর সিষ্টেম লাকপদগী পেন্সনরশিংগী বেঙ্ক একাউন্ট হাংনবা হোৎনবদা মতম চংখিবা অমদি একাউন্ট হাংবা ঙমদবা পেন্সনর কয়া য়াওরকপদগী খুদোংচাদবা খরা থোকখিবনি। অদুবু হৌজিক্তি সরকারনা পেন্সনরশিংগী য়েংদুনা দাইরেক্ট ত্রান্সপর স্কিমগী থৌওং অদু শেমদোক শেমজিন তৌরগা নৌনা অমুক শেল ওইনা ফংহন্নবা থবক পায়খৎপনি হায়নসু মখা তানা ফোংদোকখি।

## সেনাপতি বজার মনাক্তা ...

চৎপা অসিদগী লম্বী অসি নমথরকপনি।

হৌজিক নমথরিবা সেনাপতিগী মক্রিলিউগী শরুক অসি মপুং ওইনা দিষ্ট্রিক্ট হোস্পিটাল সেনাপতিগী চিফ মেদিকেল ওফিসারগী ওফিস লৈরিবা অসিগী হেক মখাদনি।

লম্বী অসিগী ফিভম য়েংলগা হৌজিক নোং চুরক্লবসু অকায়বা থোক্তনবা লম্বীগী দ্রেনশিং ফুনজিল্লিবা লৈবাকশিং অসি লৌথোক্লগনি। মসি লৌথোক্লবা মতুংদা হয়েং অয়ুক অঙনবদা ইম্ফালদগী মতিক চাবা মেছিনরিশিং থারক্তুনা লম্বী অসিগী মনিংথংবা শরুক্তা চাউরাক্লা ফিট ২০ রোম লৌশিল্লগা লম্বী শেম্বগী থবক হৌরগনি।

হায়রিবা লম্বী শেম্বগী থবক অসিদা শোক্কদবা য়ুম মরি অমসুং লৈবাক কিন্থবদা য়াওখিবা য়াই হায়না খনবা মীওই ৭কী য়ুম লৌথোক্লবা থৌরাং তৌবা হৌখ্রে। লম্বী শেম্লিঙৈগী মনুংদা লম্বী অসিদা লাকপা গাড়ীশিং অদু ঙাইহাক ঙাইহাক থিংলগা লাম্থোক লানশিন তৌবা য়াব্রা নত্রগা থৈদোক্তুনা চৎহনগদ্রা হায়বদু য়েংশিনগনি।

ঙসি লম্বী নমথবগী পাউ ফংলবসু ঙাইহাক য়েংলম্লবা মতুংদা লৈবাক তপ্না তপ্না নিংখায়রকপা উবদগী লম্বী অসিদা গাড়ীশিং চখোক চৎশিন তৌবা নুংথিল পুং ৩ লোম তাবা মতমদগী থিংখ্রে।

নেসনেল হায়ৱে অসিদা লাকপা গাড়ীশিং হান্নগী দিষ্ট্রিক্ট হোস্পিটাল লম্বীদা লৈরিবা অপীকপা দাইভর্সন লম্বী অসিদা ওইনা থৈদোক্লগা চৎহনখ্রে। করিগুম্বা লম্বী অদু নিংখায়রকপা তারবসু শোক্তনবা মফম অদুদা লৈরম্বা ভারা শানবা য়ুম ৩ রোমগী মীওইশিং থৈদোক্লগা শিদোকপসু হৌখ্রে।

য়ুম হোংদোক্লবা খঙহনখ্রবশিং অদুদি এল সালু মাউ, পি কাইখো, এলবিস মাও, অঠিলি মাও, সাখু মাও,খোলিয়া মাও অমসুং ডা. লোলি সিমোগী য়ুমনি হায়রি।

## ৱারোইশিন পুরকপদা অমদি...

কনভেনর কেঐচ অমুতোম্বী সিংহনা হায়, ঙসিগী মীফম অদুনা অথুবা মতমদা স্কুল হাংহনবা অমসুং সেসন হৌহনবা অমদি লমদম অসিদা এদুকেসনবু ফ্রি জোন ওইহনবীয়ু হায়জবগী ৱারেপসু লৌখি।

## সিংদা দামগী অকোইবগী উ ...

উ কয়া পাক্তক্লনা য়াম্থৎলম্বা থেংনরকখি হায়না পাউ অসিনা মখা তারি।

পনবা য়াবদি, সিংদা দামগী কেটসমেন এরিয়াদা পাক্তক্লনা উমং কোকথোক্লকপনা মরম ওইদুনা দাম অসিগী ঈশিং চহি খুদিংগী ওইনা ৱাংলকপদগী মসিনা ঈশিং পীরিবা মফমশিংদা ঈশিং তাংবগী অৱাবা মায়োক্লরকপদগী চিফ মিনিষ্টর ও ইবোবিগী লিচিং মখাদা দাম অসিগী অকোইবদা উ-ৱা থাদুনা উমং য়োকখৎনবগী থবক চহি খরা অসিদা পায়খৎতুনা লাকখিবনি। চহি অনিগী মমাংদা চিফ মিনিষ্টর মশামক্লা আই এফ সি মিনিষ্টর ঙমথং হাওকিপকা লোয়ননা মফম অদুদা উ থাবগী থবকসু চথখিবনি।

লমাই ১গী মখা

## সেনাপতি দিষ্ট্রিক্টতা এ দি সি মীখলগীদমক ..

ফগদগে হায়বা লেপ্পলক্কদৌরিবনি।

মসিদা টিকেট ফংহৌই ফংহৌদে হায়বগী নুংঙাইতবা থাদোক্তুনা টিকেট ফংবা মীওই অদুদা পুন্না শৌগত্তুনা মীখল অসিদা মায় পাকহন্নবা হোৎনসি হায়খি।

বি জে পিগী ষ্টেট এক্সিক্যুটিব মেম্বর ৱোবা জোরামনা হায়, মাও কেন্দ্রগী তোঙান তোঙানবা এ দি সি কন্সটিট্যুয়েন্সিশিং অসি কা হেন্না লাপ্পনা লৈবনা খুদোংচাবদবা কয়া মায়োক্লরিবনি।

অদুবু মসিগী খুদোংচাদবা অসি থাদোক্তুনা মীফম অদুদা কন্সটিট্যুয়েন্সিশিংগী লুচিংবশিং লাক্তুনা শরুক য়াবা অসি নুংঙাইবা ফাওই। বি জে পি অসি খৃষ্টান ধর্ম্মগী মায়োক্তা লৈবা পার্টি নত্তে হায়বা খংলকপদগী পার্টি অসিদা য়াওরকপগী চাং হেনগৎলক্লি।

কেন্দ্র অসিগী মনুংদা লৈরিবা এ দি সি কন্সটিট্যুয়েন্সি ৯ লাই, লিয়াই, তুংজোই, তুঙম খুল্লেন, সারানামৈ, পুদুনামৈ, পুদুনামৈ শোংশোং অমসুং মীখিল কাইদেগী মীরেপ ওইনবা হোৎনরিবা মীওইশিংসু ঙসিগী মীফম অসিদা শরুক য়ারবদা নুংঙাইবা ফাওই হায়খি।

বি জে পিগী মীরেপশিং অসি মায় পাকপগী চাং খ্বাইদগী ৱাংবনা কন্সটিট্যুয়েন্সি ৯মক মায় পাক্কনি হায়বগী থাজবা লৈ হায়খি।

থৌরম অদুদা বি জে পি মণিপুর প্রদেশকী ষ্টেট কোর কম্মিতিগী মেম্বর প্রো. এস টিকেন্দ্রনা হায়, বি জে পিবু ইস্লাম ধর্ম্ম, খৃষ্টান ধর্ম্মগী মায়োক্তা লৈবা পার্টিনি হায়না কংগ্রেসনা লান্না শন্দোক্লবসু ১৬শুবা লোক সভাগী মীখলগী মতুংদগী মদুগী ৱাফম অদু মাংখ্রে।

পার্টি অসিনা অপুনবা সিট ২৭২গী মথক্তা ফংগনি হায়না পান্নরম্বা অদু সিট ২৮২গী মথক্তা বি জে পিনা ফংবা ঙমখিবা অদুনা কংগ্রেসকী অরানবা ৱাফম কয়া প্রজাশিংনা থাজদে হায়বা উৎখ্রে।

বি জে পিগী লুচিংবশিংনা ঐখোয়দা ভোট পীয়ু অফবা সাসন পীগে হায়বদু থবক ওইনা ওন্থোকপা হৌরে। হৌজিক লৈঙাক চুপ্লি পায়রিবা এন দি এ গভর্নমেন্ট অসিনা তোঙান তোঙানবা য়াইফ থৌরাংগী স্কিম কয়া থবক ওইনা ওন্থোকপা হৌরক্লি। পার্টি অসিগী ৱার্কর খুদিংমক্না ষ্টেট অসিগী চাউখৎ থৌরাংগী থবকশিংদা হেন্না মায়পুন্না হোৎনবা দরকার ওই হায়খি।

হৌজিক মণিপুরদা সাসন তৌরিবা কংগ্রেস গভর্নমেন্ট অসিনা চীংগী লমগী চাউখৎ থৌরাংদা মীৎয়েং চংদে। মীয়ামগী চাউখৎ থৌরাংগী মহুত্তা মখোয়গী মশাগী লন তানশিন্নবা ওইনা হোৎনদুনা লৈরি। মিনিষ্টরশিং অল্লাদিনগী থাউমৈ পায়ৱা, করম তৌনা য়াল্লবা লন থুমশিং লেপশিল্লিবনো হংখি।

হান্নগী পার্টিগী প্রসিদেন্ট এম ভরতনা হায়, কংগ্রেসকুম্না বি জে পিগী মিনিষ্টরশিং শেঞ্জা থুমজাগী স্কাম অমত্তদা চেন্নবা লৈতে। মখোয়গী মথক্তা সি বি আই নত্রগা অতোপ্পা থিজিন হুমজিনবগী বোদি অমত্তনা থিজিনবা লৈতে হায়খি।

লমদম অসিগী গভর্নমেন্টনা পায়বা কিদুনা নাথৈদুনা লৈরিবা লমদম অসিগী মমিং পন্নিংদ্রবা ইশু কয়া পার্টি অসিগী লুচিংবশিংনা শোক্লা খক ঙাংবা শকপা তৌরোইদবনি হায়নসু মহাক্না ফোংদোকখি।

ঙসিগী থৌরম অদুদা হান্নগী এম এল এ সলাম ইবোহল অমসুং বি জে পি সেনাপতি দিষ্ট্রিক্ট ইন চার্জ খরগা তমাং য়াওনা পার্টিগী লুচিংবা কয়ানা শরুক য়াখি।

## ৮ শুবা অসাম রাইফলসকী সিও না মীয়ামদা ...

থোক্লকউ লাও, ঐ লান্মী লিশিং ২গী কমান্দ তৌরিবনি। হৌজিক লান হৌরবনি হায়না লাওখি অমদি ঐঙোন্দা শিংনবা পাষ্টর কদায় চৎখ্রে হংবগা লোইননা অকাম্পেৎ য়াওবা ৱাহৈ ৱাতা কয়া শিজিন্নদুনা লাওখি। তাঞ্জাদুদা সিভিল সোসাইটি ওর্গনাইজেসন কমাগী লুচিংবশিংনা খামখি। লোইনান সিভিল সোসাইটি ওর্গনাইজেসন লুচিংবশিং, নোনে পুলিস ষ্টেসনগী ওসি অমদি এআরগী সিওনা লুচিংবা কাংবু অসি ৱারী শানরবা মতুং য়ানবা অমা পুরক্পদগী জেদয়ুএফ কী কাদরনি হায়রিবা মীওই অসি থাদোক্লমখি।

থৌদোক অসিনা মরম ওইরগা মায়কৈ অসোমগী মীচম মীয়াম অসিগী ৱাখলদা অকিবা ফাওনরে। মায়কৈ অসোমগী লুচিংবশিংগী ওইবা মীফম অমা লোংমাই বাজার বোর্দকী ওফিসতা পাংথোকখ্রে। অসাম রাইফলস অসি চীংগী প্রজাশিংগী মরুপ্নি হায়রগা অসিগুম্বা থবক অসি মীয়ামগী মমাংদা চথবা অসি মীফম অসিনা কন্দেম তৌখি হায়না ফোংদোকপগা লোইননা মখোয়না চিংনবা মী ফারবসু আইনগী মতুং ইন্না মখোয়গী কেম্পতা পুরগা ৱাহং পাউহং তৌবদা করিসু থিংদে। অদুবু ঙরাং মীচম মীয়াম মমাংদা চথখিবা থৌওং অদু মীওইবগী ৱাখল্লোনগী ৱাংমদা চথবা কা হেনবা থৌওংনি। থৌদোক অসিগী মতাংদা সিও মশানা মীয়ামদা হায়জবগা লোইননা তুংদা অসিগুম্বা থৌওং অসি অমুক হন্না থোকহল্লোই হায়বগী থাজবা পুং ৪৮ গী মনুংদা পীদ্রগদি অকনবা খোঙজং কয়া চংশিল্লগনি হায়নসু মখা তানা ফোংদোকখি।

প্রেস ক্লবতা পাংথোকখিবা পাউগী মীফম অদুদা জেলিয়াংরোং ষ্টুদেন্টস য়ুনিয়নগী ষ্টেট সেক্রেটরি সাংরু গাংমৈ অমদি জেলিয়াংরোং বৌদিগী প্রসিদেন্টসু শরুক য়াখি অমদি থৌদোক অসি অকনবা মওংদা কন্দেম তৌখি। লোইননা অথুবা মতমদা সিও না মীয়ামদা হায়জগদবনি হায়নসু অমত্তা ওইনা ফোংদোকখি।

## পি এম পেক্কেজগী মখাদা পায়খৎপা প্রোজেক্ট...

থাক্তা ওনখৎনবা থৌরাং, রিমসপু মিনিষ্ট্রি ওফ হেল্‌থ এন্দ ফেমিলি ৱেলফেয়ারনা লৌশিন্দুনা মেনপল্লার অমসুং রিসোর্ছতা অৱাৎপা লৈহন্দবা, লুপা ক্রোর ১৮ চংনা খুমন লম্পাক্তা নেসনেল স্পোর্টস একাদমী লিংখৎপা, থৌবাল বাবু বজার, হাউখা অমসুং লৈশাংথেম, ইরোং ইচিন, ক্যামগৈ মং মপা, মোইরাং কুম্বীদা থোং তরুক শানবা লুপা ক্রোর ২১ থাদখিবা য়াওরি।

মসিদা নত্তনা উখ্রুল, তমেংলোং, চান্দেল, সেনাপতি অমসুং জিরিবামদা ফমুং চাম্মা লৈবা লায়েংশঙশিং শাবা, ইম্ফাল এয়ারপোর্টতা নাইট লেন্দিং ফেসিলিটি লৈহনবা, এন ঐচ-৩৯গী মরামদগী ইম্ফাল ফাওবা লেন মরিগী লম্বী শেম্নবগীদমক লুপা ক্রোর ৩০০ থাদরকখিবা, এন ঐচ-৫৩ (হৌজিক্লা ৩৭ হায়না খঙনরবা) অসিগী বরাক অমসুং মক্রু থোং শেমজিন্দুনা লম্বী শেমজিনবা, এম আই টিবু এন আই টি ওনখৎপা, গভর্নমেন্ট কলেজ ওফ টেক্নোলোজিগী কলেজ বিল্ডিং অমসুং অতৈ ইনফ্রাষ্ট্রকচরশিং শেমগৎ শাগৎনবা লুপা ক্রোর ৩৫ পীরকখিবা, লুপা ক্রোর ১৮৭০ চংনা জনরমগী মখাদা পায়খৎকদবা সিটি দিবলপমেন্ট প্লান শেমগৎপা, সিটি কনভেন্সন সেন্টর শাগৎপা, লুপা ক্রোর ৮৬ চংনা ওল কছার লম্বী শেমগৎপা, জিরিবাম-তুপুল-ইম্ফাল রেলৱেগী থবক পায়খৎপা অমসুং লুপা ক্রোর ৬০০০ চংনা পায়খৎকদবা টিপাইমুখ হায়দ্রো প্রোজেক্ট পায়খৎপা অমসুং লুপা ক্রোর ৬৪৫ চংনা পায়খৎকদবা লোক্তাক দাউনষ্ট্রিম হায়দ্রো ইলেক্ট্রিক্ট প্রোজেক্ট পায়খৎপনি।

মিনিষ্ট্রিনা চিফ সেক্রেটরিদা খংহল্লকখ্রবা মতুংদা হায়রিবা প্রোজেক্টশিং অসিগী থবকশিং অসিগী ষ্টেটস অসি ৱেবসাইটতা অপলোদ তৌনবগীদমক মণিপুর গভর্নামেন্টকী প্লান্নিং দিপার্টমেন্টনা মরি লৈনরিবা দিপার্টমেন্টশিংদা মরি লৈনবা চে চাংশিং অদু লাক্লিবা এপ্রিল ১৫ ফাওবগী মনুংদা প্লান্নিং দিপার্টমেন্টতা থাগৎলক্লবা খংহনখ্রে হায়রি।

## সস্পেন্দ তৌদ্রবদি ক্লাস বোইকোট ...

কেম্পস শেমগৎ-শাগৎনবগী থবক অসি লেপনবা মেদিয়াগী থেঙদা খংহনখ্রবনি। অদুবু মখা তানা থবক শুবগী থবক চথরি হায়বা খংবদগী ঙরাং অসি চৎলুবদা মফম অদুদা ফিভম শেৎলগা লৈরম্বা ত্রদিসন্নেল এস পি না খুপাক্লা থাবা অমদি কিন্না থিন্দুনা ফুবগা লোয়ননা অকামপেৎ কয়া ঙাংলকখি। অমদি হোম মিনিষ্টরদা তাককেসু তাকউ কনানা কৈদৌবা ঙমদোইনো হায়রকখি থৌওং অসি য়ানিংদে অকনবা মওংদা কন্দেম তৌই। মরম অদুনা এদিস্নেল এস পি অসি মফমদগী সস্পেন্দ তৌগদবনি অমদি ভি সি লৌথোক্কদবনি। মসি থবক্তঃ ওন্থোক্ত্রিফাওবা হয়েংদগী ক্লাস বোইকোট তৌরগনি হায়না মখা তানা প্রসিদেন্ট কে বোৱাংখোনা ফোংদোকখি।

## Gas Today

**K & K INDANE SERVICE**
Booking upto ......... 12/12/14
Valid from ............. 05/12/14
Stk ................................ 612
DNSC (Non-Subsidised)
Timing - 7-10 am

**LEIBAKLEI GAS, KAKCHING**
Booking upto ........ 02/02/15
Valid upto ............. 01/01/15
Stk ................................ 612
DNSC (DBTL) customers only.
Timing - 7:30-11 am

**LAMSHANG GAS AGENCY**
Booking upto ......... 18/02/15
Valid upto ............. 01/01/15
Stk ...................... 306 DNSC
only for DBTL customers
Timing - 7-10 am

**MAIBIA GAS, MOIRANG**
Booking upto ......... 23/02/15
Valid upto ............. 16/02/15
Stk ............................... 612
(DBTL customers only)
Timing - 7-11am

**MANIPUR GAS SERVICE SANGAKPHAM**
Booking upto ......... 25/12/14
Valid from ............ 14/12/14
Stk ................................ 306
(only for DBTL customers)
Timing - 8-10 am

**THOUBAL GAS, Singjamei**
Delivery at Kakwa
Booking upto ......... 17/12/14
Valid from .............. 04/12/14
Stk ...................... 306 DNSC
(only for DBTL customers)
Timing- 7-10 am

**R&H, IRILBUNG**
Booking upto ......... 28/12/14
Valid from .............. 01/12/14
Stk ................................ 558
(only for DBTL customers)
Timing - 8-11 am

**YAIRIPOK GAS SERVICE**
Booking upto ......... 16/01/15
Valid from .............. 30/12/14
Stk ............ 306 (DBTL only)
Timing - 7-10 am

**PIS Brick Field (Mechanised)**

BRICK SAMPLE — PIS

(From time to time rate changeable)

| Class | Rate | Brick | Amount | Gari Charge | Labour | Total |
|---|---|---|---|---|---|---|
| 1st | Rs. 8.60 | 3000 | Rs. 25800 | Rs. 3000 | Rs. 600 | Rs. 29400 |
| 1st | Rs. 8.60 | 2000 | Rs. 17200 | Rs. 2000 | Rs. 400 | Rs. 19600 |
| 1st | Rs. 8.60 | 1500 | Rs. 12900 | Rs. 1500 | Rs. 350 | Rs. 14750 |
| 2nd | Rs. 8.00 | 3000 | Rs. 24000 | Rs. 3000 | Rs. 600 | Rs. 27600 |
| 2nd | Rs. 8.00 | 2000 | Rs. 16000 | Rs. 2000 | Rs. 400 | Rs. 18400 |
| 2nd | Rs. 8.00 | 1500 | Rs. 12000 | Rs. 1500 | Rs. 350 | Rs. 13850 |
| 1st Rej. | Rs. 6.60 | 3000 | Rs. 19800 | Rs. 3000 | Rs. 600 | Rs. 23400 |
| 1st Rej. | Rs. 6.60 | 2000 | Rs. 13200 | Rs. 2000 | Rs. 400 | Rs. 15600 |
| 1st Rej. | Rs. 6.60 | 1500 | Rs. 9900 | Rs. 1500 | Rs. 350 | Rs. 11750 |
| Peti | Rs. 6.50 | 3000 | Rs. 19500 | Rs. 3000 | Rs. 600 | Rs. 23100 |
| Peti | Rs. 6.50 | 2000 | Rs. 13000 | Rs. 2000 | Rs. 400 | Rs. 15400 |
| Peti | Rs. 6.50 | 1500 | Rs. 9750 | Rs. 1500 | Rs. 350 | Rs. 11600 |
| 3rd | Rs. 4.50 | 3000 | Rs. 13500 | Rs. 3000 | Rs. 600 | Rs. 17100 |
| 3rd | Rs. 4.50 | 2000 | Rs. 9000 | Rs. 2000 | Rs. 400 | Rs. 11400 |
| 3rd | Rs. 4.50 | 1500 | Rs. 6750 | Rs. 1500 | Rs. 350 | Rs. 8600 |

Contact: 9856052197, 9862048579 (Sunday closed & Phone switch off)
Wangjing Saban Chekon Leikai, Near Khongjom War Memorial Complex.

**DIRECT ADMISSION : 2015-2016**

'NO DONATION' 'LESS FEES' AND 'EASY INSTALLMENT'

MEDICAL : * MBBS ( Starting 20 L . + fees)
* BDS-5 Seats Only (7 L-10 L packages)

* **B.Sc. Nursing,** (40,000 per yr.), **GNM** (20,000 per yr.)
* **M.Sc. Nursing** (80,000 per yr.) **Physiotherapy, MLT, Pharmacy, Homeopathy etc.**
* **B.E.: Civil, Mechanical, Computer Science, ECE, EEE Etc.** (30,000 - 50,000 per Sem)

**Other Courses : MBA, MCA, MSc.** (All branches)
**BBA, BCA, B.Sc.** (All branches)

☆ **Admission Form Will Be Available During Office Hour**
6:00 a.m. to 6:00 p.m.

*PLEASE VISIT*
**CAREER SOLUTION**
PALACE COMPOUND, IMPHAL EAST
MAHABALI ROAD, NEAR BOAT

**Unique Education CBSE** (meitei mayek)
Estd.2007 — The first CBSE & ICSE Coaching Centre at Imphal.

6-months Foundation for CBSE IX & X
5-months Foundation CBSE XI & XII Sc.
Vacation Course for Navodaya & Outsiders
3-months Advanced Course for CBSE XI Sc.
Class on 02-April
Class Timing — Morning : 5:00 to 7:00 am — Evening : 4:30 to 7:30 pm
Hostel for girls — 24 Hr. Running water & Light; Attached Bathroom. Hygenic food; Free internet facility; Walkable distance to all coaching; Free mathematics class 9 to 12
Van Service Available / Sega Road Konjeng Hazari Leikai. Opp Sangai Express

## নুংঙাইরবা পাউজেল

*নুংশং, নুংশিৎ কাবা, খোঙ হাম্বা য়াদবা, হকতিন্নবগী লাইনাশিং, অঙৌবা পকপা, উনশাগী লাইনাশিং, না তাদবা, সাইনেসিটিস খনাওগী নুংঙাইতবা, ফিঙৌ চৎপা, থাগী খোঙকাপ চাং নাইদবা, তাং তাং চিকপা, শরুগী লায়নানচিংবশিং অসিগী লায়নাশিংনা নারবা মীওই কয়ামরুম ফহনবা ঙমখ্রে ।*

**SEXUAL PROBLEM FOR MEN**
করিগুম্বা অদোমনা নুমিদাংদা মতোমতা ফম্বী চৎপা, মপান থোকপদা অমদি খোঙ হাম্দ ফম্বী লোয়নবা, ফম্বী মরাং কায়না চৎতবা নত্রগা মহি লাংবা, শক্তি হন্থবা ফিনুংগী হকচাংগী শক্তি ৱাৎপা, থুনা ফম্বী চৎপা অমদি ফম্বী থোকউ য়াদবা, ফিনুংগী হকচাংদা হাকৎচবা নাই চাবা হাইদ্রোসিল য়াওনা মখল খুদিংমক্কী ফিনুংগী লায়না লায়েংজরি। মাংখ্রবা শক্তি অমুক হন্না ফংদুনা তগৎ তগৎ তেকপা নুংঙাইবা পুন্সি ওইনা লেনবা য়াগনি ।



**ORGAN DEVELOPER**
করিগুম্বা অদোমনা অদোমগী লিঙ্গা চাওবা অমসুং শাংবা হেনগৎহনবা পান্নবদি চানবীদুন মফম আসিদগী মেছিন লৈবিয়ু । মেছিন শিজিন্নবনা লিঙ্গাগী মশল কনখৎহল্লি অমদি চাওবা শাংবা হেনগৎহল্লি ।

**FEMALE SEXUAL PROBLEM**
নুপীগী ফিঙৌ চৎপা, থাগী খোঙকাপ চাং নাইদবা অদুগা চাং হেন্না নৎত্রগা ৱাৎনা চৎপা, মনম নমথিবা হকচাং মনুংদা হাক্কৎচবা, ফুরি থুংবা, নাই চাবা অমদি অতৈ লায়নাশিং অসি অথুবা মতমদা ফহনবা ঙল্লে।

**BREAST PROBLEM**
ঐখোয়গী মেদিসিননা অদোমগী অপীকপা অমসুং চোম্থবা মখলগী ব্রেষ্টপু হেক য়েংবদা ফজবা পুক্লিং চিংশিন্নিংঙাই ওইবা অমসুং মপুং মরৈ ফানা থম্নবগীদমক ঙসিমক লাকপীদুনা ব্রেষ্ট ওইলমেন অমদি হিদাক শিজিন্নবীয়ু ।

**WHITE PATCHES (অঙৌবা পকপা)**
অঙৌবা পকপশিংগীদমক থোইনা ৱানিংঙাই লৈত্রে। থুনা ফহনবা ঙল্লবা ইঞ্জেক্সনসু লৈজরে। অদোমগী অঙৌবা পকপা লৈরবদি লোৎশিনদুনা থম্বীগনু অথুবা মতমদা লাকপীদুনা Dutta Clinic তা তান্নবীয়ু । উরিং, মাহিং, স্কিন, এজমা, ফি লাইকোই অমদি অমুবা দাগফমসু ফহনবা ঙম্মী।

**DIABETES PROBLEM**
দাইবেটিসকী লায়না লৈরবদি ৱেট চাং হন্থরক্কনি অদুগা সেক্সকি মপাঙ্গল শোনথরক্কনি অদুনা ঐখোয়গী হিদাকশিং শিজিন্নবীরবদি দাইবেটিসকী চাং নোংম-নোংমগী হন্থরক্কনি অদুগা সেক্সকী পৱার নোংম-নোংমগী কনখৎলক্কনি।

**HAIR PROBLEM**
শম কেনবা পোক হৌবা শমজাবী অসিনচিংবা লায়নাশিং কোক্তা তৈনবা থাউ অমদি অতোপ্পা হিদাক খরা শিজিন্নরবদি শম কেনবা হন্থরক্কনি, অনৌবা শম হৌগৎলক্কনি অমসুং পোক্কী মচু ওল্লক্কনি ।

**PILES (BLOODY/NON BLOODY) AND GASTRIC**
নুংশং ঈ তাবা, চাথৎপা, পোম্বা হাকৎচবা, নুংশং কক্লাই অসিনচিংবা নুংশংগী মখলশিং অসি ওপরেসন তৌদনা হিদাক শিজিন্নরগা ফহনবা ঙল্লে।
পুক নুংশিৎ কাবা, চাবা তুমদবা, চানিং থক্লিংবা পোক্তবা পুক নাবা, খোঙ হাম্বা নুংঙাইতবা অসিগীদমক্তসু ঐখোয়গী হিদাক্লা অথুবা মতমদা ফহনবা ঙম্মী ।

**EAR PROBLEM**
না তাবা ৱাৎপা, নাকোং ঙংদুনা লৈবা হান্না করিসু তৌরমদবা নাকোংদা তাবগী চাং হন্থরকপা অমদি অতোপ্পা মখলগী লায়নাশিং ফহনবা ঙল্লে। অমুক্তং লাকপীরগা তান্নবীয়ু ।

**JOINT PAIN**
তাং তাং চিকপা, খাং নাবা, খোঙ খুৎ শিথবা, মশল নাবা খুৎ হাইগৎপা ঙমদবা অজমা, লোক খুবা, মীহুন কাহেন্না চোংবা, শ্বর ফুনগৎপনচিংবগীদমক ৱাবীরুগনু অথুবা মতমদা লাকপীদুনা তান্নবীয়ু ।

**ASTHMA**
শ্বর হোনবা নুংঙাইতবা, নাবনচিংবা লায়না কয়াবু মরু ফুরু ফহন্নবা ঐখোয়গী হিদাক শিজিন্নবীয়ু।

**WEIGHT GAIN**
চহি মতাং অমদা হেক্তা লৈবা নুপামচা নত্রগা নুপীমচা মশাগা চান্নদবা মওংদা ময়াং কংবা মশা পাবা ৱেট য়াওদবা মদুগীদমকসু ঐখোয়গী হিদাক্লা ফহনবা ঙম্মী ।

**য়ু করম্না থাদোক্কনি**
য়ুদা লায়চুদুনা লৈরবা মীওইশিংদা মশা খঙহন্দনা ঐখোয়গী হিদাক পীজবা তারবদি অদোমগী ইমুং মনুং হরাও-নুংঙাইবা হায়বদো হঙ্জিল্লক্কনি । মহাক শোইদনা য়ু থাদোকপা ঙমগনি ।

**DUTTA CLINIC**
Regd. No. 21229
Khoyathong Christian Literature House Building
Thangal Bazar Road, Khoyathong Imphal.